**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

২) কার্গিল বিজয় দিবসকী ২৫ শুবা কুমওন থৌরম মণিপুর য়াওনা লৈবাক শিন থুংনা ঙসি পাঙথোক্লি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী খুরুংপাৎতা থি হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

৪) রাজ্য অসিদা ঙাগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকবগী পান্দমদা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা তুরেলশিংদা ঙা মচাশিং থাদবা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪, ওফিসিএল ওইনা ঙসি নুমিদাং পুং ১১ দগী হৌরগনি। ভারতকী কন্টিঞ্জেন্টতা মণিপুরদগী শান্নরোই অনি সাইখোম মিরাবাই অমসুং সংলাকপম নিলাকান্ট শর্ম্মা য়াওরি।

------

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শ্রী রাজনাথ সিংহনা মণিপুরগী ফিভম অসি য়ামা কুপা য়েংশিল্লি অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরি। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা শ্রী রাজনাথ সিংহ দা ইম্ফাল ইষ্টকী কোইরেঙ্গৈ এয়ারফিল্ডগী লম রাজ্য সরকারদা শিন্নবীনবসু তকশিনখি।

মদুগী মমাংদা, নিউ দিল্লিগী খোঙচৎতা লৈরিবা মুখ্য মন্ত্রিনা কেন্দ্রগী রোদ, ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা মণিপুরগী হাইৱেশিং শেমগৎপগী থবক য়াংশিনহন্নবা, রাজ্য অসিদা গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদা কংকৃটকী লম্বী শেম্বগা লোয়ননা চহি চুপ্পা শিজিন্নবা য়াবা লম্বী শেমনবা অমসুং লম্বী থোং হেন্না ফগৎহন্দুনা লল্লোন ঈতিক্কী থবক, পোৎ চৈ পুথোক পুশিনদা অপনবা লৈহন্দবা অমদি হন্দক্তা রাজ্য অসিদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউগা মরম ওইদুনা মাং তাকহনখিবা লম্বীশিং শেমজিন্নবগী মতাংদসু খন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা কেন্দ্রগী রেলৱেজ মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোগসু উন্নখি। উন্নবা অদুদা জিরিবাম ইম্ফাল রেল লম্বী অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা ইম্ফালদগী রেল সার্ভিস অথুবা মতমদা হৌনবগী থৌরাং, রেল লম্বী অসিগী নোনে অমসুং খৌপুমগী শরুক্তা শেমগৎলিবা রেলৱেগী থবকশিং অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা তকশিনখি। চান থকবা, হৱাই চেংৱাই পুবা রেলগাড়ি অমা নোনে জিলাগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা অহানবা ওইনা থারকখিবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা রেল মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী বিরেন প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্কদবা নিতি আয়োগকী মীফম য়ারুনবা ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখিবনি। ৯ শুবা নিতি আয়োগকী গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফম নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা লৈবা কলচরেল সেন্তরদা হয়েং পাঙথোক্কনি।

কার্গিল(এল)ঃ কার্গিল বিজয় দিবসকী ২৫ শুবা কুমওন থৌরম মণিপুর য়াওনা লৈবাক শিন থুংনা ঙসি পাঙথোক্লি।

থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী বঙ্কেট হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা লুচিংদুনা কার্গিলগী লালদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনা হায়- ভারত লান্মীনা ইমা লৈবাক্কীদমক কৎথোকখিবশিং অদু মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি অমদি ইকায় খুমফম থোকই। মহাকা হায়- নুমিৎ অসি মীয়ামা মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন ফাওহনবা অমদি মরৈবাক্কীদমক্তা ঙাক শেন্নবগী থৌনা পীরি। কার্গিল লানদা মীওই লিশিং ৬০ হেন্না শাফগদবা মফমদা থংদোকপদা অচৌবা দাইত্ব লৌখিবা ভারতকী লান্মীশিং অদুগী মফমদসু ইকায় খুমফম থোকই। মহাকা হায়- লৈবাক অসিবু ঙাক শেনবা হায়বসি ঐখোয়গী সংবিধান্না পীবা ইথৌদাংনি। অমনা অমবু হুন্নবগী মহুৎতা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা হোৎনশি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়- নুমিৎ ৭৮ চথখিবা কার্গিল লানদা ভারত লান্মীনা কৎথোকখিবশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্ত্রে। মখোয়গী থৌনা অদুনা লৈবাক অসিবু নিংখা তমা অমদি অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্লিবনি।

মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি য়াওনা সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন-রিজনেল ওফিস ইম্ফালনসু ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবা মসিগী ওফিসতা কার্গিল বিজয় দিবস পাঙথোকখি। কার্গিল লানদা লৈখিদ্রবা অথৌবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপনা থৌরমদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ফোটো একজিবিসন অমসু ওফিস অসিদা পাঙথে

তমেংলোং জিলাগী এপোলো গ্রাউন্দদসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি ২৫ শুবা কার্গিল বিজয় দিবস পাঙথোকখি। থৌরমদুদা কার্গিল লানগা মরী

লৈনবা একজিবিসন অমা পাঙথোকখি অমসুং লান অসিগী দোক্কুমেন্টরি অমসু উৎখি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা কার্গিল বিজয় দিবস পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা কার্গিল লানদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

নোনে জিলাদসু খৌপুমদা লৈবা খাংসিলুং হায়র সেকেন্দরি স্ক্লদা কার্গিল বিজয় দিবসকী থৌরম পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি থৌবাল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিন্দুনা জিলা অসিগী দি.সি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- কার্গিল বিজয় দিবস নুমিৎ অসি ভারত মচা পুমমক্কী য়ামা অখন্নবা নুমিৎ অমনি। লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম ঙাকবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মফমদা ঐখোয় পুমমকা ইকায় খুমফম থোকই।

কার্গিলগী দ্রাসতা লৈবা কার্গিল ৱার মেমোরিএলদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা মপুং ওইবা থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখি। মদুগী মমাংদা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা ১৯৯৯ গী কার্গিল লালদা মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎখি।

মহাকা হায়- মতম অমদা ভারত অসি মপান লমদগী ঙাকশেলগী পোৎলমশিং লৈবা লৈবাক অমা ওইরম্মী অদুবু ঙসিদি মপান লমদা ঙাকশেলগী পোৎথোকশিং য়োনবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরে। মহাকা হায়-দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্টকীদমক কায়থোকপা শেনফম হান্নদগী য়ামা চাউনা হেনগৎলে। প্রাইবেট সেক্তরগীদমক চাদা ২৫ খাক্তুনা থম্লে।

কার্গিল দিবসতা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা লুচিংদুনা দিল্লিদা লৈবা নেসনেল ৱার মেমোরিএলদা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

গভর্নর (এল)ঃ মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপ কুমারনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্যপাল

অনুসুইয়া উইকেগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদুনা মণিপুর ষ্টেট পোলিসি ফোর চিলদ্রেন ২০২০ শেমদোকপা অমদি মহৈলোইশঙশিংদা হাংলিবা অঙাংশিংগী হোষ্টেলশিংদা মপুং ফাবা নিতি নিয়ম চৎনহন্নবগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা রাজ্যপালদা খুৎশিন্নখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা অঙাংশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু পাউদমখি। রাজ্যপালনা ৱারোলশিং অদু তারবা তুংদা কম্মিসন অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা থাগৎপা ফোংদোকখি অমদি মখা তানা থবক কয়া তৌরকখিগনি হায়বগী থাজবসু ফোংদোকখি। রাজ্য অসি তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা রিপোর্ট অমা থাগৎলকবসু রাজ্যপালনা খঙহনখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরুংপাৎতা ঙসি অয়ুক থি হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, বোল্ট এক্সন থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, স্মোক সেল অনি, থার্তিসিক্স হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, এস.এল.আর মেগজিন অমা, ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, দিটোনেতর মঙা, এ.কে রাইফলগী মরু মরিনচিংবা য়াওরি। মসিগা মরী লৈননা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

ঙা (এল)ঃ মনিপুরদা মতম অমদা ঙাগী চাথোক মরাং কায়না লৈরম্বা অদু অমুক হঞ্জিনহন্নবা রাজ্য অসিগী তুরেলশিংদা ঙা মচাশিং থাদদুনা মণিপুর মচা পুমমক মশাগী শিজিন্নবা ওকবা ঙা পুথোক্তুনা লাক্লিবা মতম খরা অসিদা আত্মা নির্ভর ওইহন্নবগী পান্দমদা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। মসিগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী মরুওইবা তুরেলশিংদা মখল মখা কয়াগী ঙা মচাশিং থাদরি।

রাজ্যগী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর- হৈস্নাম বালকৃষ্ণ সিংহনা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা হায়-পুন্না ঙা মচা লাখ ৩০ থাদনবা পান্দম থল্লি। হৌজিক ফাওবদা লাখ অনিরোম থাদবা হৌখ্রে। মহাকা হায়- থাদরিবা ঙা মচাশিং অসিগী মনুংদা মপুং ওইনা ইন্দিয়ান মেজর কার্পতা রৌ, মিরগল, কতালানচিংবা য়াওরি অদুগা মনিপুরগী মহৌশাদগী লৈজরকপা ঙা মখলশিং-পেংবা, ঙাতোন, খাবকনচিংবসু থাদরি।

মহাকা হায়- ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাদা চেল্লিবা খুগা তুরেলদা দিষ্ট্রিক্ট ফিসরিজ ওফিস-চুরাচান্দপুর শিনদুনা ঙা মচা লিশিং ২০ থাদখি। সেনাপতি জিলাদা জিলা অদুগী ফিসরিজ ওফিস অমসুং নেসনেল ফিসরিজ দিভলপমেন্ট বোর্দ (এন.এফ.দি.বি) হায়দ্রবাদকা খুৎশমদুনা বরাক অমসুং সেনাপতি ত্রেলদা ঙা মচা লিশিং ২০ থাদখি। প্রধান মন্ত্রি মসছিয়া সমপারা য়োজনাগী মখাদা এন.এফ.দি.বি. হায়দ্রবাদকা খুৎশমদুনা উখ্রুল জিলাগী লিতান অমসুং সংখাইদা ঙা লিশিং ২০ থাদখ্রে। চান্দেলদনা চকপি তুরেলদা ঙা মচা লিশিং ২৫ থাদখি।

শ্রী বালাকৃষ্ণনা হায়-হৌজিক মখা তানা চুরাচান্দপুর, তমেংলোং, চান্দেল, থৌবাল অমসুং ইম্ফালগী জিলা অনিমক্তা ঙা মচাশিং থাদনবা থৌরাং তৌরি। হান্ননা ইম্ফাল অমসুং নম্বুল তুরেলদা ঙা মচা কয়ামরুম থাদখ্রে।

লেক (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী থোংলাং অকুৎপা খুলদা ঙসি অহানবা হিমালায়ান ক্রোকোদাইল নিউট ওফ জাইমেং লেক ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে। ফেষ্টিভেল অদু দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ অমসুং জাইমেং জোইন্ট দিভলপমেন্ট কমিতিনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ হিরালাল চৌধুরিনা হায়- সালামান্দর তাইলোতোরিয়ম, লোকেলগী মিংদা তাদুই তাকো হায়না খঙনবা হিমালায়ান ক্রোকোদাইল নিউট অসি মাংখিগদৌরবা অতাংবা মখলগী জিব অমনি। জিব অসিবু অমসুং পাৎ অসিবু কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাং লৈ। মুৎখিগদৌরিবা জিব মখল অসি কাংপোকপী

জিলাগী জাইমেং লেক খক্তদা ফংবা অতাংবা মখলগী জিব অমনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্পোর্টেন্স ওফ এমফিবিয়ান: বেনিফিত এন্দ নিটস ফোর কঞ্জার্ভেসন টোক্ষ ওন প্রজেন্ট ষ্টেটস এন্দ প্রোস্পেক্স ওন হিমালায়ান ক্রোকোদাই নিউট কঞ্জার্ভেসন হায়বা হিরমদা সেমিনার অমসুং ৱার্কসোপ পাঙথোক্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

ককচিং (এল)ঃ লাইব্রেরি থিয়েটর ককচিংনা শিন্দুনা নেসনেল লেবেল সম্মর থিয়েটর ফেষ্টিভেল অমা ঙসিদগী ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোমেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

ভারত সরকারগী কলচর মন্ত্রালয়গী কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রোটেক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা পাঙথোক্লিবা সম্মর ফেষ্ট ২০২৪ অসিদা তোঙান তোঙানবা থিয়েটর গ্রুপ মরিনা শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা নোংচুপ বেঙ্গলগী চোআনপোর সুহরিট বরহমপুরগী তোকা কহানি উৎখি। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২৯ ফাওবা চত্থগনি।

কলেজ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কলেজদা ঙসি ইনকম টেক্সকী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইনকম টেক্স ইম্ফালগী ওফিসিয়েলশিংনা ইনকম টেক্সকা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাংখি। ইনকম টেক্স ইম্ফাল সার্কলগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হরিদাস রাজকুমার শরুক য়াখি।

ৱেভিনার (এল)ঃ ভারত সরকারগী ৱিমেন অমসুং চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী চাওখৎ থোরাংদা যুম্ফম ওইদুনা লৈবাক শিনবা থুংনবা এন.আই.সিগী খুত্থাংদা পাঙথোকপা ৱেভিনারদা থৌবাল জিলাগী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখ্রে। ৱিমেন লেদ দিভলপমেন্ট হায়বা হিরমদা জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপা ৱেভিনার অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা লৈবাক অসিগী চাওখৎ

থৌরাংদা নুপাশিংবু মপুং ফানা শরুক য়াহনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

খোঙজং (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং- কুম্বি, মোইরাং, নিংথৌখোং, বিষ্ণুপুর, ওইনাম অমসুং নম্বোলদা লৈবা মহৈ তম্ফম ১৫ দা ঙসি মহৈরোইশিংনা মহৈ লোইশঙশিং অয়েৎ অপন লৈতবা মফম ওইহল্লু হায়বা দাবীদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অসি ঙসিনা নিনি চনবনি।

খোঙচৎ (এল)ঃ লাংমৈ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, তামৈগী ওজা অমা ট্রান্সফর তৌখিবা থিংনবা তকশিন্দুনা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা ঙসি তামৈ বজারদগী এস.দি.ও ওফিস তামৈ ফাওবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চত্তুনা এস.দি.ওদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ ইরম সিফাই লৈরক অশাংবা কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি অনা লায়েংগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মফমদুগী আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির সব-সেন্তর অমসুং ৱাংগোই কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরগী ডোক্তর অমসুং ষ্টাফশিংগা পুন্না পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা মী ৮৯ লোম লায়েংখি অমসুং দাইরিয়া থিংবগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনখি।

এলদিএ (এল)ঃ লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতি, ৱাটরস এন্দ ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়ন্না চখুরকপা ৱাকৎ মীফম ঙসি নুমিৎ হুমি শুরবা ফাওবদা ওথোরিতিদগী পাউখুম অমত্তা ফংদ্রে হায়না পেন্দবা ফোংদোক্লি। য়ুনিয়ন অসিনা থা অসিগী ২৯ দগী থবক লেপ্পা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়রি।

ওলিম্পিক ঃ পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪, ওফিসিএল ওইনা ঙসিদগী হৌরগনি। হৌদোকপগী থৌরম পেরিস ফাওদুনা চেল্লিবা সাইন তুরেল পরিংদা

ভারতকী মতম নুমিদাং পুং ১১ দা পাঙথোক্কনি। ওলিম্পিকঞ্জ হৌদোকপগী থৌরম ষ্টেদিয়মগী ৱাংমদা পাঙথোকপা অসি ওলিম্পিক্কী ইতিহাসতা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরগনি। ফ্রান্সকী কোনুং ফাওদুনা চেল্লিবা সাইন তুরেলগী অকোইবদা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা লৈবাকশিংগী পেরেদ চৎকনি। এথলিট লিশিং ১০ রোমা হি ১০০ হেন্না তোদুনা ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা মফম কয়া লানদুনা চৎকনি।

পেরিস ওলিম্পিকস্ অসিদা ভারতকী শান্নরোই ১১৭ না শরুক য়াগনি। ভারতকী কন্টিঞ্জেন্ট অসিদা মণিপুরদগী শান্নরোই অনি ৱেথ লিফতিংদা সাইখোম মিরাবাই অমসুং হোক্কিদা সংলাকপম নিলাকান্ট শর্ম্মা য়াওরি। বেদমিন্টন শান্নরোই পি.ভি. সিন্ধু অমসুং টেবল টেন্নিস শান্নরোই সরথ কমলনা ভারতকী ফ্লেগ বিয়ারর ওইগনি।

ভারতনা পেরিস ওলিম্পিক্কী কেম্পেইন ঙরাংদগী য়ামা আশা লৈবা মওংদা হৌখ্রে। অচ্যারিগী রেঙ্কিং রাউন্দদা নুপাগী টিমনা অহুমশুবা অমসুং নুপীগী টিমনা মরিশুবা মফম কনদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংলে। ক্বাটর ফাইনেলদা ভারতকী নুপী টিমনা ফ্রান্স অমসুং নেদরলেন্সকা লাস সিক্সতিন ষ্টেজতা মায় পাক্লকপা টিম অদুগা থেংনরগনি।

অমরোমদা, নুপাগী টিমনা ক্বাটর ফাইনেলদা কলম্বিয়া নৎত্রগা তর্কিগা থেংনগনি। মিক্স টিম ইভেন্টতা রাউন্দ সিক্সতিনগী মেটচ অমদা ভারতকা ইন্দোনেসিয়াগা শান্নরগনি। ইভেনটশিং অসি থা অসিগী ২৮ দগী আগষ্ট মরি ফাওবা শান্নগনি।

মরকসিদা, ভারতনা হয়েং মিটর তরাগী ইয়ার রাইফল মিক্স টিম অমসুং মিটর তরাগী নুপা অমসুং নুপীগী পিষ্টোল ইভেন্টতা সুট্রিংগী মেদল লৌনবা শান্নরগনি।

পেরিস ওলিম্পিক ২০২৪ অসি মথং থাগী ১১ ফাওবা চথগনি।

------